**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 11-01-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসি লোইশিনবদা নাগাশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌবগী তঙাইফদবা লৈ।

২) মনিপুরদা ঙসি নাৎকী চৎনবীগা লোয়ননা ইমোইনু ইরাৎ থৌনি থৌরম পাঙথোক্লি।

৩) জেলিয়াংরোং ফুরুপকী লৌরোক কুম্মৈ গান ঙাই ধর্ম্মগী চৎনবী অমসুং হরাউ তয়াম্গা লোয়ননা হয়েং পাঙথোক্কনি।

৪) এল.দি.এগী চেয়ারমেন এম. অশিনিকুমারনা হায়রি- মোইরাং থাঙ্গ লম্বীগী ফিভম ফগৎহনবা অমদি লোক্তাক লেক ব্রিজ শানবা থবক পায়খৎলগনি।

অমসুং

৫) গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- লৈবাক অসিদা হৌখিবা চহি ১০ দা মালেমগী কৈথেলদা লুপা কোতি লিশিং ৫৬,৮০০ লোমগী মমল ওইগদবা ড্রগশিং ফাগৎতুনা মাংহনখ্রে।

**------**

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসি লোইশিনবদা নাগাশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌবগী তঙাইফদবা লৈ।

সেনাপতি জিলাদা ঙসি পাঙথোকপা মরালুই করালিমৈ সুইজোইকং

এম.কে.এসকী ৪২ শুবা মীফমদা শরুক য়ারদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- য়েৎনরিবা অমদি নুংঙাইতবা খুদিংমক সংবিধানগী চৎন পথাপ অমদি সরকারগী এক্টশিংগী মখাদা ৱারী শান্নরগা ৱারোইশিন পুরকপা য়াই। মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা কাংলুপ খুদিংমকা অশোই অঙাম পুমমক কাউথোকমিন্নরগা অমত্তা ওইনা পুনশিন্নবা হোৎনমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। মসিদা চর্চ লুচিংবশিং অমদি মীয়ামা সরকারগী মতেং পাংবীদুনা ইরাং অসিগী ৱারোইশিন অমা পুরকবা হোৎনমিন্নশি।

মহাকা হায়- মণিপুরদা নাগা অমদি কুকিগী মরক্তা কাংলুপকী ইরাং থোকখিবা অদুদা মীতৈ কাংলুপনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমখি। মতৌ অসুমা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসি নাগাশিং অচৌবা থৌদাং লৌবীদুনা ৱারোইশিন পুরকবা হোৎনমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈরি। রাজ্য অসিদা লৈমিন্নরিবা কাংলুপ খুদিংমক্কী পেন্দবশিং থিদোকমিন্নদুনা লোইশিনমিন্নবা তঙাইফদে। সরকারনা কনাগুম্বা কাংলুপ অমত্তগী মায়োক্তা থবক তৌখিবা লৈতে। সরকারনা পায়খৎলিবা ৱার ওন ড্রগস কেম্পেন অসিদি লমদমসিগী নহাশিংগী তুংগী পুন্সি কন্নবনি। মপানদগী আইন কায়না চংশিল্লকপা মীতোপশিং খন্দোক্তুনা য়েলহৌমী কন্নবা হোৎনবা হায়বসি য়ামা তঙাইফদবা অমনি।

ইমোইনু (এল)ঃ মনিপুরদা ঙসি নাৎকী চৎনবীগা লোয়ননা ইমোইনু ইরাৎ থৌনি থৌরম পাঙথোক্লি। থৌরম অসি মণিপুরগী মপনাদা খুন্দারিবা মীতৈশিংনসু পাঙথোকরি। রাজ্য অসিদা থৌরম অসিগীদমক মীয়ামা অয়ুক অঙনবা মতমদগী হৌদুনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল য়াওনা কৈথেল অয়াম্বদা ইমোইনুদা কৎননবা মীয়ামা কুম অমগী অনৌ অপেন লৈনখি।

ইমোইনু ইরাৎ থৌনি থৌরম অসি ইম্ফালগী হয়িং খোংবালদা লৈবা লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্দকী কমপ্লেক্সতা বোর্দ অসিনা শিন্দুনা ঙসি অয়ুক অঙনবদগী হৌদুনা পাঙথোকখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্দকী মাইবা শঙলাকপা শলাম মনিনা হায়- ইমোইনু ইরাৎ থৌনি থৌরম অসি কংলৈপাক মণিপুরদা চীং অমদি তমদা খুন্দামিন্নরিবা য়েক শলাই লৈবা য়েলহৌ ফুরুপশিংনা য়ুমথোঙ খুদিংদা পাঙথোক্তুনা লাকখি। থৌরম

অসিনা খুন্নাই অসিগী য়ুম্বাল্লোন, চৎন লোনচৎ, চাকচা য়ুথক অমদি খুন্নাইলোনগী মচৎ ময়েক শেংনা তাক্লি। ইরাৎ থৌনি থৌরম অসিনা অসিগুম্বা মচৎ কয়া অসি নৌহৌননা নিংশিংহন্নবা অমদি ৭ শেঞ্জা, ফৌগৈ চেংগৈ ৱাৎত-পাদনা তাইবং শিন্থা মায় পাকা পাংদুনা নুংঙাই য়াইফবা লমদম অমা ওইহন্নবগীদমক লাইরেন্বী অসিগী মফমদা থৌনিজদুনা থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

থৌরম অসি উত্রা শঙলেন সনা কোনুং অমদি কংলৈ ইনাৎ শিন্থা অপুনবা লুপ অনিনা পুন্না শিন্দুনা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা সনা কোনুং উত্রা শঙলেনদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা মণিপুরগী নিংথৌ মৈদিঙু লৈশেম্বা সনাজাউবা, সনা কোনুংগী ফমাহবশিং, অমাইবা, অমাইবী অমদি পেনা লোইশঙগী মীহুৎশিং শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা কৌব্রুগী ইমোইনু থেলগী ইরু ঈশিংসু উত্রা অমদি ইন্তরনেসনেল শলাই পুন্সিফমনা মীয়ামদা য়েন্থোকখি। য়াচংলকপা মতমদা সনা কোনুং অমদি অনিসুবা হোজং ফাওবা মৈরা থানদুনা ইমোইনুং ইমাবু তরামা ওক্কুনা লৈবাক্কী চাকহোং ঙাহোংনবা থৌনি থৌরমসু পাঙথোকখি।

ইরমদমগী ইনাৎ য়োকখৎ লুপ (ইরিয়োল) অমসুং ককৱা লাইরেন্বী ইরৈমা ইমা ৱেলফ্যার এসোসিয়েসন্না পুন্না শিন্দুনা ককৱা অশেম লৈকাই ইরৈবা ইমাগী মশাইকোলদা ইমোইনু ইরাৎ থৌনি থৌরম ঙসি পাঙথোক্লি। ইরিয়োলনা ইরমদমগী ইনাৎ য়োকখৎনবগী পান্দমদা শিংজমৈদগী ককৱা ফাওবগী মনুংদা লৈবা তোঙান তোঙানবা ক্লবশিংগা খুৎশমরগা ইমোইনু ইরাৎ থৌনিগী থৌরম চহি খুদিংগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হোং হোংদুনা পাঙথোক্লুক্লি। হন্দক্কী অসিনা ১৬ শুবা থৌরমনি হায়রি।

গান ঙাই (এল)ঃ  জেলিয়াংরোং ফুরুপকী লৌরোক কুম্মৈ গান ঙাই ধর্ম্মগী চৎনবী অমসুং হরাউ তয়াম্বগা লোয়ননা হয়েং পাঙথোক্কনি।

কুম্মৈ অসিনা লাকপদা রাজ্যপাল, মুখ্য মন্ত্রি, মন্ত্রিশিং য়াওনা লুচিংবা কয়ানা মণিপুরগী মীয়ামদা মরুওইনা জেলিয়াংরোং কাংলুপকী মীওইশিংদা য়াইফ

পাউজেল পীরক্লি। মহাক্কী পাউজেলদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হায়- লৌরোক কুম্মৈ অসিনা লাকপদা জেলিয়াংরোং কাংলুপনা লৈখিদ্রবা থৱায়শিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎলি। লোয়নননা অরিবা চহিবু বিদাই পাবগা লোয়নননা অনৌবা চহিবু মপুং ফাবা আশাগা লোয়নন তরামা ওক্লি। কুম্মৈ অসিনা মণিপুরদা চহি কয়াগী মমাংদগী জেলিয়াংরোং কাংলুপকী ধর্ম্মগী ওইবা ফেষ্টিভেল অসি অতৈ কাংলুপ কয়ানসু পুন্না পাঙথোকমিন্নদুনা অফবা মাইকৈরোমদা পুরকপা ঙম্বা অসিনি। কুম্মৈ অসিনা লাকপদা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা নুংশি চান্নবা অমদি চাওখৎপা খুন্নাই অমা পুরকপা ওইরসনু হায়রি।

মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না মহাক্কী পাউজেলদা হায়- গান ঙাই কুম্মৈ অসি চহি লোইবগী বিদাই পীবা অমদি অনৌবা চহিবু তরামা ওকজবগী কুম্মৈ অমনি। কাংলুপ অসিনা মখোয় মখোয়গী ফৌগৈদা চান থকবশিং নিংথিনা পৈশিনবা ঙমহনবগীদমক মপুবু থাগৎপগী থৌরম পাঙথোকৈ। কুম্মৈ অসিগী শরুক অমা ওইনা মৈবা চিংদুনা পুথোকপা মৈ অদু কাংলুপ অসিগী য়ুমথোঙ খুদিংদা য়েনবগী চৎনবী লৈরক্লি। কুম্মৈ অসিনা লাকপদা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা নুংঙাই য়াইফবা, মচিন মনাউ ওইবা, অমত্তা ওইবা অমদি নুংশি চান্নবগী ৱাখল্লোন পুরকপা ওইরসনু হায়রি।

মহুদ মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনসু কুম্মৈ অসিনা লাকপদা মণিপুরগী মীয়ামদা মরুওইনা জেলিয়াংরোং ফুরুপকী মীওইশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। মহাকা হায়- কুম্মৈ অসিনা লাকপদা মণিপুরদা চাওখৎপা, শান্তি, তংদু লৈতাবা অমদি নুংশি চান্নবা পুরকপা ওইরসনু।

মহাক্কী পাউজেলদা শিক্ষা মন্ত্রি থৌনাউজম বসন্তকুমারনা হায়- গান ঙাইগী নুংগী ৱাখল্লোনদি- লৌমীশিংনা মহৈ মরোং নিংথিনা লোকশিনবা ঙমজবগীদমক মপু মাবু থাগৎপগী থৌরমনি। কুম্মৈ অসি জেলিয়াংরোং কাংলুপকী মীওইশিংনা হরাউ তয়ামা মপু মাবু তৌবীমল খঙবগা লোয়নননা পাঙথোকই। কুম্মৈ অসিনা লাকপদা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা নুংঙাই য়াইফবা, চাওখৎপা অমদি হকচাং ফনা লৈবা ঈশ্বরনা পীনবীবা ওইরসনু হায়রি।

অমরোমদা, কুম্মৈ অসিনা লাকপা অমেস্কোনসু য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা ঐখোয় খুদিংমক ইচিল ইনাউনি, ঐখোয়গী শক্তম ঐখোয় ইশানা ঙাকচগদবনি। লমদম অসিদা পীরক্লিবা শাফু খুদিংমক ঐখোয়না চপ চানা থেংনমিন্নগদবনি হায়বা ৱাখল্লোনদা শওম্বুং কবুই খুঞ্জাউ, শওম্বুং শাইরেম, দুইগাই-পানজাং অমদি মহাবলি কবুই খুলদা পাঙথোক্কনি হায়না অমস্কোগী চরোল অমনা হায়রি।

ককচিং (এল)ঃ ইতিহাসকা শাগোন্নদুনা লাক্লবা ইরুং তুরেলবু কন্নবগী চংশিল্লকপা খোঙজংগী মনুং চন্না ঙসি ময়াংলম্বম রামেশ্বর এম.এল.এনা তুরেল অসিগী হৌজিক ওইরিবা শেংদোকপগী ফিভম হকথেংননা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে। খোঙচৎ অদুদা এম.এল.এনা হায়- তুরেল অসি চহি কয়াগী মমাংদগী শেংদোকপীদবনা মরম ওইদুনা মোৎশিন্দুনা লাকপনি। তুরেল অসি লুনা নান্না থমবগী পান্দমদা ৱার্কিং কমিতি ওন রিজ্‌বিনেসন ওফ ইরুং তুরেল হায়বা কমিতি অমা শেমদুনা য়েংশিনবা হৌরকখিবনি। মসিনা মরুওইবা রিছোর্স অমা ওইহনবগা লোয়ননা ককচিং কেন্দ্রগী চাওখৎ থৌরাংদা মতেং পাংগনি। নহাশিংদা শেন্থোক লৈহন্নবা থবক কয়াসু পায়খৎকনি হায়না এম.এল.এনা মখা তানা ফোংদোকখি।

এলদিএ (এল)ঃ মোইরাং থাঙ্গ লম্বীগী ফিভম ফগৎহনবা অমসুং লোক্তাক লেক ব্রিজ নৌনা শানবগী মতাংদা অহানবগী ওইনা য়েংশিনবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। য়েংশিন খোঙচৎ অদুবু লুচিংলিবা লোক্তাক দিভলপমেন্ট ওথোরিতিগী চেয়ারমেন এম. অশিনিকুমারনা হায়- থাঙ্গ লম্বী নিংথিনা শেমগৎনবগীদমক এল.দি.এ অমদি পাব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্টকী টিমনা ঙসি থাঙ্গদা চত্তুনা মফম অদু য়েংশিনবনি। নৌনা শাগদৌরিবা থোং অসিগী দিটেল প্রোজেক্ট রিপোর্ট শেমবগী ৱাফমসু খন্নখি। নৌনা পায়খৎকদৌরিবা প্রোজেক্ট অসিনা বিষ্ণুপুর-ইম্ফাল ৱেষ্ট-থৌবাল অমদি ককচিং জিলাশিং নিংথিনা শমহল্লগনি।

ক্যামগৈ (এল)ঃ   ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ক্যামগৈদা লৈবা ইবুধৌ খাগেম্বা মজাইবুঙোগী লাইবুংদা ঙসি মাইচৌ ৭ কী মায়খুম হাংদোকপগা লোয়ননা ইমোইনু ইমাগী খুভম শঙ্গাবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

খাগেম্বা কমিতি ক্যামগৈনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা কৈরাও কেন্দ্রগী এম.এল.এ লৌরেম্বম রামেশ্বরনা হায়- রাজ্য অসিদা মণিপুর পুম্বগী ওহবা ইবুধৌ পাখঙবগী অচৌবা খুভম অমা শান্নবা পান্দম থল্লি। মসি থবক ওইনা ওন্থোকবা হোৎনবদা লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা মীপুম খুদিংমকা লৌবা য়াবা থৌদাং অদু লৌমিন্নশি। মণিপুরদা পানখিবা নিংথৌরেলশিংগী মনুংদা নিংথৌ খাগেম্বনা মপাঙ্গল লৈরবা লান্মীগী কাংলুপশিং শেমগৎলম্বতা নত্তনা হিরম কয়াদা মীয়ামগী অমদি খুন্নাইগী য়াইফনবগীদমক থৌরাং কয়া পায়খৎলমখি। নিংথৌ অসিগী মতমদা শেনয়েক চৎনহল্লমখিবতা নত্তনা খাজনা থিবগী চৎনবী য়াওনা ৱায়েলশঙ লিংদুনা লৈবাক ঙাকপগী থবক থৌরমশিং চথরমখি। ঙসিগী মীরোলনা মণিপুরগী হৌখ্রবা পুৱারাশিং নিংশিংবা, লাইনিং লাইশোল, চৎন লোনচৎ অমদি লৈঙাকলোনগী চুক্লি পায়রম্বা নিংথৌশিংনা তৌরম্বা থবক থৌরমশিং নৌহৌননা নিংশিংবগী তঙাইফদবা লৈ।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা এম.এল.এ কোংখাম রোবিন্দ্রোনা হায়- লমদম অসিগী পুৱারীদা মাইচৌ ৭ না থম্বীরম্গা পুক্কে অমদি তাকপীরম্বা লিক্লমশিং অসি ঙসিগী মীরোলনা খঙবা অমদি তুং ইনদুনা চৎপগী তঙাইফদবা লৈ। মসিনা লমদম অসিগী য়েলহৌ ফুরুপশিং মশক থোকা লৈবা ঙমগনি। লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ খুদিংমকা খুন্নাই অসি মাঙ তাক্লে হায়দুনা লৈথোকপগী মহুৎতা খুন্নাই অসিবু মাঙলোমদা চংশিন্ননবা থবক থৌরমশিং পায়খৎপনা হেন্না অফবা লমদম অমা ওইহনবা ঙমগনি।

য়ুপিএফ (এল)ঃ   ঐখোয় অমুক খুনতাক্লরোই হায়বা ৱাখল্লোনদা য়ুনাইতেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু.পি.এফ) মণিপুরনা শিন্দুনা থা অমা চুপা চথরকপা ১৯১ শুবা নেসনেল রিকন্সোলিদেসন মন্থ্ মায় পাকা লোইশিনখ্রে। থৌরমগী শরুক অমা

ওইনা অসামগী কছারদা লৈবা চন্দ্রপুরদা হৌখিবা দিসেম্বর ২৩ দা মহারাজ গম্ভির সিংহ অমসুং নরাসিংহগী মীতম হাংদোকখি। মথংগী নুমিৎতা কছারগী লেং ওন্দবী পাৎতা লৈ কৎতুনা অথৌবশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা ডৎখি। জিরিবাম জিলাগী নিংশিং খুলদসু থৌমীশিংনা অথৌবশিংগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায় খুমবা উৎখি। থাবুম অমা চুপা চত্থরকপা নিংশিং থৌরমগী লোইশিনবা নুমিৎতা ইম্ফালগী কাঞ্চিপুরদগী শিংজমৈ চীংঙা মথক ফাওবা মীয়ামগী খোঙচৎ অমা চৎখি।

সাহ ঃ গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- লৈবাক অসিদা হৌখিবা চহি তরারোম অসিদা ড্রগ ফাবগী থবক খুমাং য়াংনা চংশিল্লক্লি।

নিউ দিল্লিদা ঙসি পাঙথোকপা ড্রগ ত্রাফিক্কিং এন্দ নেসনেল সেক্যুরিতিগী মীফমদা ৱা ঙাংবদা গৃহ মন্ত্রিনা হায়- হৌখিবা চহি ১০ রোম অসিদা মালেমগী কৈথেলদা লুপা কোতি লিশিং ৫৬,৮০০ লোমগী মমল ওইগদবা ড্রগশিং ফাগৎতুনা মাংহনখ্রে। ইং ২০২৪ খক্তদা পুন্না লুপা কোতি লিশিং ১৬,৯০০ লোমগী ড্রগশিং ফাগৎখি। লৈবাক অসিবু ড্রগকী সমস্য লৈতবা অমদি নহাশিংবু মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগী পান্দমদা নার্কোটিক্স কন্ত্রোল ব্যুরো অমদি পুলিসনা ড্রগ ফাগৎপগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

মীলাল (এল)ঃ মীতৈ ইরোল ইয়েক লোয়না শিনলোন অপুনবা লুপ (মিলাল)না শিন্দুনা লুচিং পুরেল চীংশুবম অকাবা লৈখিদবগী ১৮ শুবা নিংশিং থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে। লৈখিদ্রবা লুচিং পুরেল অসিগী মফম লৈ কৎতুনা মীলালগী থৌমীশিংনা ইকায় খুমবা উৎখি। মীলালনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- মীতৈ ময়েক অমদি মণিপুরী লোলবু চাওখৎনবা হোৎনবদা মীয়ামসু অঙম্বা মতেং পাংবীবগী তঙাইফদবা লৈ।

ঈ (এল)ঃ ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চনা রিমসকী ব্লড সেন্তর এন্দ ত্রান্সফ্যুজন সার্ভিসেস, এসোসিয়েসন ওফ ব্লড দোনরস মণিপুর

থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চ অমদি অতৈ লুপ কয়াগা খুৎশমরগা ঈ দান তৌবগী থৌরম অমা থৌবাল জিলাগী চরাংপাৎ হাইস্কুলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদুগী শরুক অমা ওইনা লেমা মীৎ অমদি য়া লায়েংবগী থৌরমসু পাঙথোকখি। ঈ দান তৌবগী থৌরম অদুদা পুন্না মীওই ৬০ না ঈ দান তৌখি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোল(এল)ঃ উত্তরাখন্দদা পাঙথোক্কদবা ৩৮ শুবা নেসনেল গেমসতা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী  নুপা অমসুং নুপী ফুটবোল শান্নরোইশিংগী মীং লাউথোক্লে। খল্লবা শান্নরোইশিংনা থা অসিগী ১৩ গী অয়ুক্তা লমলোং থোংখোঙদা লৈবা আর্তিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়না অস্ফানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ক্রিকেট (এল)ঃ লংথাবাল পাব্লিক গ্রাউন্দদা চথরিবা ২১ শুবা মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এন.এ.পি.এস.এ খা-ইম্ফালনা কে.সি.সি কোংববু ৱিকেট ৯ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল(এল)ঃ তরেৎশুবা থিঙুজম ওংবী ঙানবী দেবী মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা বি.এস.য়ু কৈরাউনা বি.পি.ৱাই.সি বাসিখোংবু পাঞ্জল ২-০ দা, এফ.এফ.সি.সিনা এস.ৱাই.দি.এবু ২-১ দা, কে.ৱাই.ওনা কে.ঐচ.সিবু ৪-২ দা থোইখ্রে। অদুগা এম.এম.সি অমসুং কে.ৱাই.পি.সি পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

ফুটবোল (এল)ঃ ৪৪ শুবা সি.এস.দি.এস.এ. স্পোর্টস মিটকী চকপিকারোং প্লে গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা মেটচতা নুংপান এফ.সিনা চরোং চীং ৱাই.সিবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখ্রে।অতোপ্পা মেটচ অমদা তৌপোকপী ৱাই.সিনা রিংফে ৱাই.সিবু পাঞ্জল ৫-০ দা থোইখি।

রেষ্টলিং (এল)ঃ মণিপুর রেষ্টলিং এসোসিয়েসনগী ওইবা মীফম অমা থা অসিগী ১৩ দা খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা অয়ুক্কী পুং ৯ দা পাঙথোক্কনি। মীফম অসিদা এসোসিয়েসনগী মেম্বরশিংনা শরুক য়াগদবনি হায়না মণিপুর রেষ্টলিং এসোসিয়েসন্না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

------